

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, DECEMBER 26, 2018 **PAGE 7**

*খুড় শোকপনা মরম ওইরগা এসিয়ান কপ শরুক য়ারোইদৌরিবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব হদ্দর্সফিল্ডদা শান্নরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী আরোন মুই*

*স্কোটলেন্দগী ফুটবোল ক্লব সেলটিকতা অহানবা প্রোফেসনেল কোন্ট্রেক্ট ওইনা য়াওখ্রবা মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা ইংলিশ মচা কারামোকো দেম্বেলে*

## সুনিল ছেত্রিগা ঐহাক্কা পূক্নিংগী ৱা খঙনবনা শান্নরিঁঙেদা য়াম্না কান্নহল্লি ঃ জেজে লালপেখ্লুৱা

*অবু দাবী, দিসেম্বর ২৫ঃ*

মথং চহীগী জনুৱারী ৫ দগী হৌদুনা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগা পূক্নিংগী ৱা খঙনবদা শান্নরিঁঙেদা য়াম্না কান্নবা পী হায়না টিম অসিগী ফোরৱার্দ শান্নরিবা জেজে লালপেখ্লুৱানা ফোঙদোকখ্রে।

জেজে লালপেখ্লুৱা মশাগী চহী ১৯ শুরকপদা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারকখিবনি। কুমজা ২০০৬ তা শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা জেজে লালপেখ্লুৱানা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিম লুচিংখি। গেমস অসিগী গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেটচতা জেজেনা হেটট্রিক চন্দুনা পাকিস্থানবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীবদা চাওনা মতেং পাঙখি।

জেজেনা মহাক্কী অহানবা মেটচ সুনিল ছেত্রিগা শান্নমিন্নখি। হৌজিকসু মহাক্কা শান্নমিন্নদুনা হায়দোক্লবা তৌদনা শান্নরিঁঙে মনুং দা পূক্নিং ৱা খঙনদুনা মায়োক্লবা টিমগা শান্নবদা য়াম্না খুদোংচাবা ফংবা ঙল্লি।

জেজেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা মহাকপু হিরম খুদিংমক্তা য়াম্না মতেং পাঙবী। মখোয় অনীগী মনুং দা অমনা বোল পায়খিবদা বোল অদু কদোমদা পীরক্কনি হায়বা অদু মখোয় অনীগী মরক্তা লৈরিবা পূক্নিংগী ৱা অদুনা খঙবা ঙম্নদুনা হৌজিক ফওবা লাক্লি।

মথং চহীগী জনুৱারী ৫ দগী হৌগদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী অহৌবা মেটচ ওইনা থাইলেন্দগা শান্নগদৌরিবা অসিদা টিম অসিনা মতিক চানা মায়োক্লনবা শেম শাদুনা লৈরে। ঐখোয়গী টিম্না টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি থাজে হায়নসু জেজেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা টিম অদুনা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা কনফেদরেসন কপ য়াওবা ঙমগদৌরিবনি।

ঐহাক্না টিম অসিগী শরুক অমা ওইরিবা অসিদা য়াম্না নুং ঙাইবা ফাওই। ঐখোয়না কন্না হোৎনদুনা এসিয়ান কপকীদমক ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগনি। এসিয়ান কপ অসি ৱার্ল্ড কপকুম্না অচৌবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়নসু জেজে লালপেখ্লুৱানা মখা তানা ফোঙদোকখি।



*ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই সুনিল ছেত্রি (য়েৎ) অমদি জেজে লালপেখ্লুৱা*

## কেরোলিনা মারিন অমসুং লক্ষ্য সেন মায় পাকখ্রবসু পুনে ৭ এসেস অৱাধে ৱারিয়র্সকী মখূত্তা মেটচ ৩–৪ দা মায়থিখ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৫ঃ*

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা কেরোলিনা মারিন অমসুং লক্ষ্য সেননা মখোয়–মখোয়গী সিঙ্গলস মেটচশিং মায় পাকখ্রবসু পুনে ৭ এসেস অৱাধে ৱারিয়র্সকী মখূত্তা মেটচ ৩–৪ দা মায়থিখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিগী অৱাধে ৱারিয়র্স অমসুং পুনে ৭ এসেসনা লম্বা তৌনখিবনি।

টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী সোন ৱান হোনা পুনে ৭ এসেসকী ব্রাইস লেভরদেজবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–১৪, ১৫–৭ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী মাথিয়াস খৃষ্টিয়ানসেননা পুনে ৭ এসেসকী পেয়র ৱ্লাদিমির ইভানোভ অমসুং মাথিয়াস বোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১৫–১২, ১৫–১৪ দা থোইদুনা টাই অসিদা অৱাধে ৱারিয়র্সনা মেটচ ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা পুনে ৭ এসেসতা শরুক য়ারিবা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা অৱাধে ৱারিয়র্সতা শান্নরিবা য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ২–৩ দা শোংখদুনা লৈখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা কেরোলিনা মারিননা বৈৱেন ঝাংবু ১৫–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা পুনেগী কেরোলিনা মারিননা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী অৱাধেগী বৈৱেন ঝাংবু য়াম্না লায়না ১৫–৯ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা পুনে ৭ এসেসতা শরুক য়ারিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা লক্ষ্য সেননা দোং কিয়ুন লিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্বদগী টিম অনীমক মেটচ ৩–৩ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচ অসিগী অহানবা মেটচ লক্ষ্য সেননা পোইন্ট ১৫–১১ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদসু লক্ষ্য সেননা ফজনা শান্নরকপদগী দোং কিয়ুন লিবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ১৫–৮ দা থোইখি।

মঙাশুবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা অৱাধে ৱারিয়র্সকী পেয়র মাথিয়াস খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা পুনে ৭ এসেসকী পেয়র ৱ্লাদিমির ইভানোভ অমসুং লিনে কজেরফেল্ডবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৮–১৫, ১৫–১১, ১৫–১২ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অদু অৱাধে ৱারিয়র্সনা পুনে ৭ এসেসপু ৪–৩ দা থোইরমখি।



*পুনে ৭ এসেসকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকখিবা লক্ষ্য সেন অমসুং কেরোলিনা মারিন*

## ইন্দিয়াগী ইন্নিংস মায়াঙ্ক অগরৱাল অমদি হনুমান ভিহারিনা হৌদোক্লগনি

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ২৫ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস মায়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং হনুমান ভিহারিনা হৌদোক্লগনি।

সেরিজ অসিগী মনু চন্না এদেলেদতা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩১ দা থোইদুনা মেটচ ১–০ দা লিদ তৌখিবনি। অদুগা পর্থতা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ১৪৬ তা থোইদুনা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ অসি ১–১ দা মান্নদুনা লৈখিবনি।

বিসিসিআইগী মায়কৈদগী ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী স্কৱাদ ঙরাং লাওথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। ঙসি লাওথোরক্লিবা স্কৱাদ অসিদা টিম অসিগী মমাঙদা ওপনর ওইরম্বা লোকেস রাহুল অমসুং মুরালি বিজয়গী মহুৎ মায়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং হনুমান ভিহারিনা মহুৎ শিল্লকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি– মায়াঙ্ক অগরৱাল, হনুমান ভিহারি, চিটেশ্বর পুজারা, ভিরাট কোহলি (কেপ্টেন), অজিনক্য রহানে, রোহিট শর্ম্মা, রিসব পন্ট (ৱিকেটকিপর), রভিন্দ্র জাদেজা, মোহমদ সামী, ইসান্ট শর্ম্মা অমসুং জস্প্রিট বুমরাহনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি– আরোন ফিন্স, মার্কস হরিস, উসমান খাৱাজা, সোন মার্স, ত্রেভিজ হেদ, মিটচেল মার্স, টিম পাইনে (কেপ্টেন–ৱিকেটকিপর), পেট কুম্মিন্স, মিটচেল ষ্টার্ক, নথান লিওন অমসুং জোস হেজলৱুদনি।



*ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌদোক্কদৌরিবা মায়াঙ্ক অগরৱাল অমদি হনুমান ভিহারি*

## ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দিলি মেটচশিংদা ইরান অমসুং পেলেষ্টাইন ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, ইরাকনা চাইনাবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*টেহরান, দিসেম্বর ২৫ঃ*

মথং চহীগী জনুৱারী থাদগী হৌগদৌরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন এসিয়ান কপকী শেম শাবা ওইনা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিংদা ইরান অমসুং পেলেষ্টাইন পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। ইরাকনা চাইনাবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাং ইরান অমসুং পেলেষ্টাইননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। ইরান এসিয়ান লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম ওইরিবনি। পেলেষ্টাইনগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইরানগী টিম য়াম্না পাঙ্গল থোক্লা শান্নবা ঙমখিদে।

য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা ইরান অমসুং পেলেষ্টাইনগী টিম পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইরানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ইরানগী শান্নরোইশিংনা চথ্তরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী ষ্ট্রাইকর মেহদি টামেরিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পেলেষ্টাইনগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকপদা ইরানগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথ্তদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মখোয়না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবা অদু ইরানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী মতম কুইনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

ইরানগী শান্নরোইশিংনসু পেলেষ্টাইনগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইম শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোংখদুনা লৈরিবা পেলেষ্টাইনগী শান্নরোইশিংনা চথ্তরকখিবা এটেক অমদা জোনাথন কান্টিল্লানানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইরাকনা চাইনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইরাক অমসুং চাইনানা শান্নখিবা মেটচ অসিসু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী শান্নবগী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২২ শুবা মিনটতা ইরাককী শান্নরোইশিংনা চথ্তরকখিবা এটেক অমদা এ ইব্রাহিমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা চাইনাবু খুদুম চন্দুনা থম্বা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা চাইনানা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিদা শরুক য়ারিবা লি ৱুনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইরাককী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা ইরাককী শান্নরোই এম অলসামারিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২০ লোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইরাকনা চাইনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।



*ইরান অমসুং পেলেষ্টাইননা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

## বজরং পুনিয়া অমসুং ভিনেস ফোগৎনা চহী অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ওইরে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ঃ*

বজরং পুনিয়া অমসুং ভিনেস ফোগৎনা চহী অসিগী ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখ্রে।

বজরং পুনিয়া অমসুং ভিনেস ফোগৎ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা জার্কটা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা রেষ্টলরশিংনি।

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপা রেষ্টলর বজরং পুনিয়া চহী অসিদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমসকী কেজি ৬৫ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথ্তখিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ৬৫ গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মায় পাকপা নুপা রেষ্টলর ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎসু চহী অসিদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমসকী নুপীগী কেজি ৫০গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ভিনেস ফোগৎনা জার্কটাগী এসিয়ান গেমসতা রিও ওলিম্পিক গেমসতা মহাকপু শোকহনখিবা চাইনিজ তাইপৈগী য়ানান সুনবু মায়থিবা পীরম্লগা কেম্পেইন হৌদোকখিবনি। চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা কিরগিষ্টানগী বিসেকতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা ভিনেস ফোগৎ সিলভর মেডল ফংখিবনি।

## নেসনেল সেলেক্সন সুট্টিং ত্রাইয়েলদা কিন্নোরি কোনার অমসুং আদর্স সিংহনা ইভেন্ট অনীমক্তা মকোক ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ঃ*

ন্যু দিল্লিগী টুঘলবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চথ্তরিবা নেসনেল সুট্টিং সেলেক্সন ত্রাইয়েলদা কিন্নোরি কোনার অমসুং আদর্স সিংহনা নুপী অমসুং নুপাগী ইভেন্ট অনীমক্তা মকোক ওইখ্রে।

নেসনেল সেলেক্সন অসিগী ঙসি পাঙথোকপা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা কিন্নোরি কোনারনা পোইন্ট ৬২০.৪ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা গায়াত্রি নিথিয়ানন্দমনা পোইন্ট ৬২০.০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৬১৯.১ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র ৱুমেনগী কাঙলুপ্তসু কিন্নোরি কোনারনা পোইন্ট ৬২০.৪ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। সিরিন গোদারানা পোইন্ট ৬১৫.০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তারগা জেনাব হুসেন বেন্দুকৱালনা পোইন্ট ৬১৩.৩ দা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

নুপাগী মিটর ২৫ গী সেন্টর ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা আদর্স সিংহনা পোইন্ট ৫৮৭ ফংদুনা মকোক ওইখি। গুরপ্রিত সিংহনা পোইন্ট ৫৮৫ ফংলগা অনীশুবা অদুগা অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ৫৮৩ দা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা আদর্স সিংহনা পোইন্ট ৫৮৫ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি, হর্স গুপ্তনা পোইন্ট ৫৮২ ফংলগা অনীশুবা অদুগা ভিজয়ভির সিন্ধুনা পোইন্ট ৫৮০ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | U | S | S | T | O | P | | D | O | M | A | I | N | S |
| A | N | T | H | O | N | Y | | U | P | A | T | R | E | E |
| B | L | O | O | P | E | R | | B | A | D | M | O | V | E |
| B | O | O | R | S | | E | C | O | L | E | | N | A | M |
| L | O | G | E | | A | N | A | I | S | | P | O | D | S |
| E | S | E | | G | L | E | N | S | | M | A | R | A | T |
| R | E | S | O | L | V | E | D | | M | O | R | E | N | O |
| | | | D | A | I | S | Y | D | U | C | K | | | |
| T | A | V | E | R | N | | C | A | S | H | S | A | L | E |
| E | L | I | T | E | | P | A | R | K | A | | V | E | N |
| E | B | B | S | | L | A | N | K | Y | | F | I | A | T |
| D | A | R | | M | E | D | E | A | | H | E | A | V | E |
| O | N | A | T | E | A | R | | G | R | E | E | T | E | R |
| F | I | N | E | S | S | E | | E | A | R | L | O | B | E |
| F | A | T | C | A | T | S | | S | E | E | S | R | E | D |


**Reena Physiotherapy Clinic**

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

Instruments
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open 8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)
Phone No. 9774980552 / 8974282395

SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18

